

# সনালৈবাক স্পোর্টস





*এঠলেটিক্স মশান্নবু মালেমদা হেন্না চাওখৎনবা হোৎনবগীদমক আই এ এ এফনা ইকাই খুম্নবা উৎপা ওইনা ভেটেরান পিন এৱার্দ পীখ্রবী ইন্দিয়াগী পি টি উষা*

*এসিয়ান এজ গ্রুপ চেম্পিয়ন্সিপকী নুপাগী মিটর ৫০গী বট্টরফ্লাই ইভেন্টতা গোল্ড মেডল লৌখ্রবা ইন্দিয়াগী স্বিম্মর ভিরধৱাল খাদে*

## ইন্দিয়া সাফ য়ু–১৮ চেম্পিয়ন্সিপকী সেমি ফাইনেল য়ৌদুনা মালদিপসকা শান্নরগনি

*কাঠমান্দু, সেপ্টেম্বর ২৫(এজেন্সি)ঃ*

নেপালনা য়ুম্বু ওইদুনা লৈবাক অসিগী কোনুং কাঠমান্দুদা চখরিবা সাউথ এসিয়ান ফুটবোল কনফেদরেসন (সাফ) য়ু–১৮ চেম্পিয়ন্সিপ্তা ইন্দিয়াগী নুপা টিম সেমি ফাইনেল য়ৌদুনা মালদিপসকা শান্নরগনি।

সাফ য়ু–১৮ চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ 'বি' গী অনীশুবা রাউন্দগী মেটচতা ইন্দিয়াগী য়ু–১৮ নুপা ফুটবোল টিম্না শ্রী লঙ্কাবু গোল ৩–০ দা মায়থিবা পীদুনা পুন্না পোইন্ট ৪ ফংলগা বাংলাদেশকা পোইন্ট মান্নখ্রবসু গ্রুপ অসিদা মকোক ওইদুনা সেমি ফাইনেলদা গ্রুপ 'এ' গী অনীশুবা পোজিসন তাখিবা মালদিপসকা শান্নরগনি।

ইন্দিয়া অমসুং শ্রী লঙ্কানা শান্নখিবা মেটচ অসি হেক হৌবদগী য়াম্না অকনবা লম্বা মায়োক্লদুনা শান্নরকপদগী অহানবা হাল্ফকী অপীবা মতম লোইশিনখিবা ফাওবদা গোল অমত্তা চন্নদনা লাকখি।

অহানবা হাল্ফ অদু শান্নরকপদা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা এটেক খরা হেন্না চথবা ঙমখ্রবসু শ্রী লঙ্কাগী দিফেন্দরশিংনা নীংথিনা মায়োক্লবা ঙমখিবদগী গোল অমত্তা চন্নবা ঙমখিদবনি। অনীশুবা হাল্ফ শান্নবা হেক হৌরকপদগী ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা এটেক কয়া চখদুনা



গোল চনশিন্নবা হোৎনদুনা শ্রী লঙ্কাগী দিফেন্দরশিংনা অকনবা প্রেসর পীশিন্দুনা লাকখি।

মেটচকী ৬১শুবা মিনটতা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা চখরকখিবা এটেক অমদা গুরকিরাট সিংহনা মেটচকী অহানবা গোল চন্দুনা ১–০ দা মাঙজিল থাবা হৌখি।

গোল শোখরবা শ্রী লঙ্কাগী শান্নরোইশিংনা ইন্দিয়াগী এটেকশিং অদু ঙাকথোক্তুনা অহেনবা গোল চনশিন্দনবা হোৎনদুনা লাকখি। মখোয়না কাউন্টর এটেক চখদুনা ইক্বেলাইজর ওইনবা হোৎনখিবশিং অদু ইন্দিয়াগী দিফেন্দরশিংনা মায় পাকহনবা ঙমদনা থমখি।

মেটচকী অপীবা মতম লোইগদবা মিনট ১ ৱাৎলিঙৈদা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী অহানবা গোল চনখিবা গুরকিরাট সিংহনা গোল অমগা চনশিন্দুনা ২–০ দা হেন্দুনা মায় পাকপগী লম্বেল নকশিল্লকখি।

মেটচকী অপীবা মতম লোইশিনখ্রবা মতুং অহাপ্পা মতমগী অনীশুবা মিনটতা ইন্দিয়াগী শান্নরোই অমান ছেত্রিনা গোল অমগা চনশিন্দুনা মেটচ অদু ৩–০ দা মায় পাকখি। চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী অনীশুবা সেমি ফাইনেল মেটচতা গ্রুপ 'এ' গী মকোক ভুটাননা গ্রুপ 'বি' গী অনীশুবা পোজিসন তাখিবা বাংলাদেশকা শান্নরগনি।

## টি–২০ বেটসমেন রেঙ্কিংদা রোহিট ৮শুবদা লৈখ্রে

*দুবাই, সেপ্টেম্বর ২৫(এজেন্সি)ঃ*

ইন্টরনেসনেল ক্রিকেট কাউন্সিল (আই সি সি) না ঙসি থাদোরকখিবা টি–২০ বেটসমেনশিংগী মকোক মথং তাবগী রেঙ্কিংদা ইন্দিয়াগী ওপনর বেটসমেন রোহিট শর্ম্মা ৮শুবা পোজিসনদা হাইগৎখ্রে।

ইন্দিয়াগী ওপনর বেটসমেন রোহিট শর্ম্মা ইংলেন্দগী এলেক্স হেলসকা পুন্না পোইন্ট ৬৬৪ দা চপ মান্ননা ফংদুনা ৮শুবা পোজিসনদা পুন্না লৈমিন্নরি।

ইন্দিয়াগী নুপা ক্রিকেট টিমগী কেপ্টেন ভিরাট কোহলি সাউথ অফ্রিকাগা শান্নখিবা অনীশুবা টি–২০ মেটচতা আওট ওইদনা রন ৭২ লৌখিবা অদুগী মতেংনা হান্না লৈরম্বা থাক্তুগী হাইগৎপা ঙমদুনা টোপ টেনগী মনুং চনগদবা খজিক্তমক ঙাইশিল্লক্লে। সিখর ধৱনসু টোপ টেনগী মনুং য়ৌগদবা নকশিনখ্রে।

টি–২০ বোল্লর রেঙ্কিংদা ইন্দিয়াগী বোল্লর ৱাশিংটন সুন্দরনা ইন্দিয়াগী বোল্লরশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী রেঙ্ক ৱাংনা লৈরি। মহাক হান্না লৈরম্বা পোজিসনদগী মফম ৮ হাইগৎলগা ৫০শুবদা লৈরি।

টি–২০ টিম রেঙ্কিংদা ইন্দিয়াগী টিম্না ৪শুবা পোজিসনদা লৈরি। পাকিস্টানগী টিম্না অহানবা, ইংলেন্দগী টিম্না অনীশুবা অমসুং সাউথ অফ্রিকাগী টিম্না অহুমশুবা পোজিসন কন্দুনা লৈরি।

## পরুপল্লি কাশ্যপ কোরিয়া ওপনগী অনীশুবা রাউন্দ চঙখ্রে, পি ভি সিন্ধু, সাইনা অমদি প্রনিথ লৈহৌরে

*ইঞ্চিওন, সেপ্টেম্বর ২৫(এজেন্সি)ঃ*

সাউথ কোরিয়াগী সিটি ইঞ্চিওনদা চখরিবা য়ু এস দোলর ৪০০,০০০ গী শেলগী মনা লৈবা কোরিয়া ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্টতা ইন্দিয়াগী নুপা সট্টলর অনীশুবা রাউন্দ চঙখ্রে। নৌনা নুপীগী সিঙ্গলসতা ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন ওইখ্রবী পি ভি সিন্ধুগা লোয়ননা সাইনা নেহৱালসু অহানবা রাউন্দদা মায়থিহৌরে, সাই প্রনিথসু নুপাগী সিঙ্গলসতা লৈহৌরে।

কোরিয়া ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী অহানবা রাউন্দগী মেটচতা ইন্দিয়াগী শান্নরোই পরুপল্লি কাশ্যপনা চাইনিজ তাইপৈগী লু চিয়া হুংবু ষ্ট্রেট গেম অনী ২১–১৬, ২১–১৬ দা মায়থিবা পীরম্লগা অনীশুবা রাউন্দদা মালেসিয়াগী লিয়ু দিগা শান্নরগনি। মালেসিয়াগী লিয়ু দি না অহানবা রাউন্দদা চাইনাগী লিন দানবু ২১–১৯, ২১–১৪ দা থোইরম্বনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী সিঙ্গলস কাঙলূপ্তা শরুক য়ারিবা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা সট্টলর সাই প্রনিথ ঙসি শান্নখিবা অহানবা রাউন্দদা ৫শুবা সিদেদ দেনমার্ককী এন্দর্স এন্টোন্সেনগা লম্বা তৌনবদা অহানবা গেম ৯–২১ দা শোখদুনা লৈখ্রবা মতুং অনীশুবা গেম শান্নররকপদসু প্রনিথ পোইন্ট ৭–১১ দা শোখদুনা লৈরিঙৈ মহাক্কী মশা শোকপনা মরম ওইরগা মখা তানা শান্নবা ঙমখিদবদগী টুর্নামেন্ট অসিসগী



মপান থোকখি।

নুপাগী সিঙ্গলস কাঙলূপ্তা নম্বর ৱান সিদেদ ওইরিবা জপানগী কেন্টো মোমোটানা ঙসি শান্নখিবা অহানবা রাউন্দদা থাইলেন্দগী কে ভিটিদসার্নবু ষ্ট্রেট গেম অনী ২১–১৭, ২১–১৩ দা মায়থিবা পীদুনা অনীশুবা রাউন্দদা সাউথ কোরিয়াগী শান্নরোই কিমগা শান্নরগনি।

কোরিয়া ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী সিঙ্গলসতা ৪শুবা সিদেদ শান্নরোই ওইরিবা ইন্দোনেসিয়াগী জোনাথন কৃষ্টিনা ঙসি শান্নখিবা অহানবা রাউন্দদা দেনমার্ককী ঐচ কে ভিট্টিংঘসপু ষ্ট্রেট গেম অনী ২১–১৬, ২২–২০ দা থোইদুনা অনীশুবা রাউন্দদা কে ফেটপ্রাবাদকা শান্নরগনি।

কোরিয়া ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলসকী অহানবা রাউন্দগী মেটচ অমদা হন্দক্তা ৱার্ল্ড বেদমিন্টন চেম্পিয়ন্সিপকী সিঙ্গলস টাইটল লৌখিবী টুর্নামেন্ট অসিগী ৫শুবা সিদেদ ইন্দিয়াগী শান্নরোই পি ভি সিন্ধু অহানবা রাউন্দদা সিদিং ফংদনা শরুক য়ারকখিবা য়ু এসকী বৈৱেং ঝাংগী মখূত্তা গেম অহুম চঙনা শান্নরবা মতুং ২১–৭, ২২–২৪, ২১–১৩ দা মায়থিহৌদুনা লৈহৌখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী সিঙ্গলস কাঙলূপ্তা শরুক য়ারিবী ৮শুবা সিদেদ ওইরিবী ইন্দিয়াগী শান্নরোই সাইনা নেহৱাল অহানবা রাউন্দগী মেটচতা টুর্নামেন্ট অসিগী য়ুম্বু লৈবাক সাউথ কোরিয়াগী কিম গা ইয়ুনগা শান্নবদা গেম অমমম ২১–১৯, ১৮–২১ দা থোইনরবা মতুং অহুমশুবা গেম কিমনা ৮–১ দা হেন্দুনা লৈরিঙৈদা সাইনা মখা তানা শান্নবা ঙমখিদবদগী টুর্নামেন্ট অসিদগী মপান থোকখি।

নুপীগী সিঙ্গলস কাঙলূপ্তা অনীশুবা সিদেদ চাইনিজ তাইপৈগী টাই ঝু য়িংনা অহানবা রাউন্দদা থাইলেন্দগী বি ওংবামরুংফানবু ষ্ট্রেট গেম অনী ২১–১৩, ২১–৯ দা মায়থিবা পীরম্লগা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি।

## য়ুক্রেনগী শান্নরোই এলিনা স্বিটোলিনা ৱুহান ওপনগী সিঙ্গলসতা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে

*ৱুহান, সেপ্টেম্বর ২৫(এজেন্সি)ঃ*

চাইনাগী সিটি ৱুহানদা চখরিবা য়ু এস দোলর ২,৮২৮,০০০ গী শেলগী মনা লৈবা ৱুহান ওপন দব্লিয়ু টি এ টেন্নিস টুর্নামেন্টতা য়ুক্রেনগী শান্নরোই এলিনা স্বিটোলিনা অহুমশুবা রাউন্দ মায় পাক্তুনা নুপীগী সিঙ্গলসতা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলসকী অহুমশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা ৩শুবা সিদেদ শান্নরোই ওইনা শরুক য়ারিবী য়ুক্রেনগী এলিনা স্বিটোলিনানা রুশিয়াগী শান্নরোই স্বেটলানা কুজনেটসোভাবু ষ্ট্রেট সেট অনী ৬–৪, ৬–২ দা মায়থিবা পীরম্লগা ক্বার্টর ফাইনেলদা য়ু এসকী এ রিস্কেগা লম্বা তৌনরগনি।

য়ু এসকী এ রিস্কেনা ঙসি শান্নখিবা অহুমশুবা রাউন্দদা ৮শুবা সিদেদ চাইনাগী ক্যু ৱাংবু ৬–২, ৬–১ দা মায়থিবা পীরম্বনি।

নুপীগী সিঙ্গলসতা অহানবা সিদেদ ওইরিবী ওস্ট্রেলিয়াগী এসলি বার্টিসু ঙসি শান্নখিবা অহুমশুবা রাউন্দদা ১৫শুবা সিদেদ য়ু এসকী এস কেনিনবু ৬–৩, ৭–৫ দা থোইদুনা ক্বার্টর ফাইনেলদা ক্রোএসিয়াগী পেত্রা মার্টিক্কা শান্নরগনি।

য়ুক্রেনগী শান্নরোই দি য়ামষ্ট্রেকোনা ২শুবা সিদেদ চেক রিপব্লিক্কী কেরোলিনা প্লিজকোভাবু অহুমশুবা রাউন্দগী মেটচতা ষ্ট্রেট সেট অনী ৬–১, ৬–৪ দা মায়থিবা পীরম্লগা ক্বার্টর ফাইনেলদা ৫শুবা সিদেদ অতোপ্পা চেক রিপব্লিক্কী শান্নরোই পেত্রা ক্বিটোভাগা শান্নরগনি।

চেক রিপব্লিক্কী পেত্রা ক্বিটোভানা ঙসি শান্নখিবা অহুমশুবা রাউন্দদা ১০শুবা সিদেদ য়ু এসকী স্লোনে ষ্টেফেন্সপু ৬–৩, ৬–৩ দা মায়থিবা পীরম্বনি।

৯শুবা সিদেদ বেলারসকী অরিনা সবালেনকাসু অহুমশুবা রাউন্দদা ৬শুবা সিদেদ নেদরলেন্দসকী কিকি বর্টেন্সপু ৬–১, ৭–৬ (১১–৯) দা থোইদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমদুনা কজাখষ্টানগী রাইবাকিনাগা শান্নরগনি।

কজাখষ্টানগী রাইবাকিনানা ঙসি ৪শুবা সিদেদ রোমানিয়াগী সাইমোনা হালেপকা শান্নখিবা ৩শুবা রাউন্দদা রাইবাকিনানা গেম ৫–৪ দা হেন্দুনা লৈরিবা হালেপ মখা তানা শান্নবা ঙমখিদবদগী কজাখষ্টানগী রাইবাকিনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

## ইন্দিয়াগী পি টি উষাদা আই এ এ এফ ভেটেরান পিন পীদুনা ইকাই খুম্নখ্রে

*দোহা, সেপ্টেম্বর ২৫(এজেন্সি)ঃ*

ইন্দিয়াগী ট্রেক্ট এন্দ ফিল্ড লিজেন্দ পি টি উষাদা ৱার্ল্ড এঠলেটিক্স গভর্নিং বোদি আই এ এ এফনা ভেটেরান পিন পীদুনা ইকাই খুম্নবা উৎখ্রে।

কাটারগী কোনুং দোহাদা পাঙথোকখিবা ৫২শুবা আই এ এ এফ কোংগ্রেসতা এ আই এ এ এফকী চীফ সেবাষ্টিয়ান কোনা ভেটেরান পিনগী মনা অদু ইন্দিয়াগী নুপী এঠলেট পি টি উষাদা খূৎশিন্নখিবনি।

পি টি উষানা এঠলেটিক্সকী লমদা হেন্না চাওখৎনবগী লৌরিবা অচৌবা থৌদাং অসিগীদমক আই এ এ এফনা ইকাই খুম্নবা ওইনা ভেটেরান পিন এৱার্দ অসি পীখিবনি।

নীংশিংবা য়াই, পি টি উষা মহাক্কী কেরিয়রদা গোল্ড মেডল ৫ ফংখ্রে। ১০০ মিটর, ২০০ মিটর, ৪০০ মিটর, ৪০০ মিটর হর্দল অমসুং ৪X৪০০ রিলেদা গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখি। মহাক্না কুমজা ১৯৮৫ জার্কটা এসিয়ান গেমসতসু ব্রোঞ্জ অমা ফংখি।

### ক্রোসৱার্দ ২৮৯ গী পাউখুম

| | | | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| R | E | A | M | ■ | R | A | T | S | ■ | T | R | A | D | E |
| E | L | L | A | ■ | E | R | I | E | ■ | O | I | L | E | D |
| C | O | L | L | E | C | T | E | D | ■ | A | P | P | L | E |
| A | P | O | L | L | O | ■ | R | A | P | S | ■ | S | I | N |
| P | E | W | ■ | K | I | M | ■ | N | U | T | S | ■ | ■ | ■ |
| ■ | ■ | ■ | ■ | S | L | A | M | ■ | R | E | T | A | I | N |
| A | D | E | S | ■ | ■ | R | E | F | E | R | E | N | C | E |
| P | U | M | A | ■ | E | D | D | I | E | ■ | A | N | E | W |
| E | D | I | T | O | R | I | A | L | ■ | ■ | L | E | S | T |
| R | E | T | I | N | A | ■ | L | E | N | D | ■ | ■ | ■ | ■ |
| ■ | ■ | ■ | N | E | S | S | ■ | T | E | A | ■ | E | R | A |
| T | H | E | ■ | T | E | E | S | ■ | A | R | I | S | E | N |
| R | A | B | B | I | ■ | U | N | D | R | E | S | S | E | D |
| A | L | B | U | M | ■ | S | I | D | E | ■ | E | A | S | Y |
| P | O | S | S | E | ■ | S | P | E | D | ■ | E | Y | E | S |

## অদভানি–মেহরা ৱার্ল্ড টিম স্নুকরগী ফাইনেল চঙখ্রে

*মন্দলে, সেপ্টেম্বর ২৫(এজেন্সি)ঃ*

ম্যান্মারগী সিটি মন্দলেদা চখরিবা আই বি এস এফ ৱার্ল্ড টিম স্নুকর চেম্পিয়ন্সিপ্তা ইন্দিয়াগী টিম পনকজ অদভানি অমদি অদিত্য মেহরা সেমি ফাইনেল মেটচ মায় পাক্তুনা ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।

আই বি এস এফ ৱার্ল্ড টিম স্নুকর চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী ঙসি শান্নখিবা সেমি ফাইনেল মেটচতা ইন্দিয়াগী পেয়র পনকজ অদভানি অমদি আদিত্য মেহরানা থাইলেন্দগী পেয়র থানাৱাট টিরাপোংপাইবুন অমদি কৃটসানুট লর্টসাট্টেয়াথোর্নবু ফ্রেম ৪–১ দা মায়থিবা পীরম্লগা ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

ইন্দিয়াগী টিম্না ফাইনেলদা থাইলেন্দগী নম্বর টু টিমগা ঙসি অথেংবদা শান্নরগনি। করিগুম্বা ফাইনেল মেটচ অসি ইন্দিয়াগী টিম্না মায় পাক্লবদি পনকজ অদভানিগী ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপকী গোল্ড মেডল ২৩ শুরগনি অদুগা আদিত্য মেহরাগী ওইনদি অহানবা ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপ টাইটল ওইগদৌরি।


**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR**
Keirao Bitra, Imphal East
Ref. : Mutation Case No. 270/SDC of Dt. 25/9/2019

1. Akoijam Chaoba Singh S/o Late Mohon Singh of Bamonkampu
2. Akoijam Bijoy Singh S/o Late Mohon Singh of Bamonkampu
3. Akoijam Haridas Singh S/o Late Mohon Singh of Bamonkampu

Petitioners
-Vs-
Koijam Yaima Singh S/o Late Angangmacha Singh of Bamonkampu
O.P.

**NOTICE**
Keirao Bitra, the 25-09-2019

Under Sect. 46(3) MLR & LR Act. 1960 গা মরী লৈননা খঙহল্লি মদুদি Imphal East KBT Circle গী Village No. 46-Bamonkampu গী Patta No. 28 (অরিবা) 52 (অনৌবা) C.S. Dag Nos. 137Sheet No. 1 an area 0.22000 acre of Ingkhol class লম অসিগী Pattadar অসি মৃতু (Late) ওইখ্রে । মরম অসিনা Pattadar গী মহুত্তা লম অসি মমিং ওনবীরো হায়না court অসিদা দরখাষ্ট থাররে মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেগা লোয়ননা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা SDC, KBT Court অসিদা Objection তৌবীরনবা খঙহল্লি । নৎত্রবদি court কী হৌনবী মতুং ইন্না case মখা চখগনি মতুংদা লাকপা ৱাকৎ Court অসিনা লৌজরোই ।

Sd/-
Sub-Deputy Collector,
KBT, Imphal East, Manipur
SL/B(L)(3)/14



**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR**
Porompat, Imphal East, Manipur
Ref. : Mutation Case No. 1495/SDC/P of 2019

S. Thangoulen Haokip S/o (L) Tongjangam Haokip of Haokip Veng
Petitioner
-Vs-
(L) Tongjangam S/o (L) Gonjangam Haokip of Haokip Veng, Palace Compound
O.P.

**NOTICE**
Porompat, the 25-09-2019

Under Sect. 46(3) MLR & LR Act. 1960 গা মরী লৈননা খঙহল্লি মদুদি Imphal East Porompat Circle গী Village No. 35 (A)-Palace Compound গী Patta No. --- (অরিবা) 431 (অনৌবা) C.S. Dag No. 4653/4813 an area .029 acre of Ingkhol class লম অসিগী Pattadar অসি মৃতু (Late) ওইখ্রে । মরম অসিনা মথক্কী Petitioner অসিনা লৈখিদ্রবা Pattadar গী মহুত্তা লম অসি মমিং ওনবীরো হায়না court অসিদা দরখাষ্ট থাররে। মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেগা লোয়ননা লম অসিগী মরী লৈনবা মীওইশিংনা SDC, Porompat Court অসিদা objection তৌবীরনবা খঙহল্লি । নৎত্রবদি court কী হৌনবী মতুং ইন্না case মখা চখগনি মতুংদা লাকপা ৱাকৎ court অসিনা লৌজরোই ।

Sd/-
Sub-Deputy Collector,
Porompat, Imphal East
SL/B(L)(1)/26



**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR**
Porompat, Imphal East, Manipur
Ref. : Mutation Case No. 1498/SDC/P of 2019

Laiphrakpam Rajendro Singh S/o (L) Irabot Singh of Top Awang Leikai
Petitioner
-Vs-
L. Ibemhal Devi W/o (L) Irabot Singh of Top Awang Leikai
O.P.

**NOTICE**
Porompat, the 25-09-2019

Under Sect. 46(3) MLR & LR Act. 1960 গা মরী লৈননা খঙহল্লি মদুদি Imphal East Porompat Circle গী Village No. 18-Top Dusara গী Patta Nos. 299/551, 299/588 (New) and 62 (Old) C.S. Dag Nos. 347/549 and 347/512 an area 0.042 acre of Ingkhol class লম অসিগী Pattadar অসি মৃতু (Late) ওইখ্রে । মরম অসিনা মথক্কী Petitioner অসিনা লৈখিদ্রবা Pattadar গী মহুত্তা লমশিং অসি মমিং ওনবীরো হায়না court অসিদা দরখাষ্ট থাররে। মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেগা লোয়ননা লম অসিগী মরী লৈনবা মীওইশিংনা SDC, Porompat Court অসিদা objection তৌবীরনবা খঙহল্লি । নৎত্রবদি court কী হৌনবী মতুং ইন্না case মখা চখগনি মতুংদা লাকপা ৱাকৎ court অসিনা লৌজরোই ।

Sd/-
Sub-Deputy Collector,
Porompat, Imphal East
SL/B(L)(2)/26


**GOVERNMENT OF MANIPUR**
**DIRECTORATE OF ENVIRONMENT,**
**POROMPAT, IMPHAL-05**
**(STATE SOCIAL IMPACT ASSESSMENT UNIT), MANIPUR**

**PUBLIC HEARING NOTICE**
**Imphal, the 25th September, 2019**

No. 1/6/2014(SIA)/DoE(47/DGP): With reference to the Government Notification No. 4/23/LA/2014-Com(Rev) of dated 24th May, 2019 regarding acquisition of land for construction of new Manipur Police Headquarters as per the land schedule appended herewith in respect of 9-Chingmeirong Nongpok village of Porompat Sub Division in Imphal East District, Public Hearing for seeking feedback on the findings and to seek additional information and views of the affected persons for incorporating the same in the final Social Impact Assessment (SIA) Report & Social Impact Management Plan(SIMP) will be held on **16/10/2019(Wednesday) from 8.00 A.M. to 10.00 A.M. at the Conference Hall of ADC Bhavan, Chingmeirong.**

All the affected land owners, Public representatives, local voluntary Organizations, Media, representatives from the Requiring Body and designated land acquisition and Rehabilitation and Resettlement functionaries are requested to attend the Public Hearing in time.

| Sl. No. | Name of pattadar & Address | Patta No. | Dag No. | Recorded area (acre) | Affected area (acre) | Classifcation |
|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | Achan Hongray S/o George Hongray of Poumai Colony | 87 | 52 | 0.32 | 0.32 | Phourel |
| 2 | Achan Hongray S/o George Hongray of Poumai Colony | 8 | 53 | 0.67 | 0.67 | Phourel |
| 3 | R. Juliana Hongray W/o Achan Hongray of Awungtang | 8/202 | 53/295 | 0.67 | 0.67 | Phourel |
| 4 | Illijabou Pao S/o (L) Thoi Ahari of Paommai Colony | 42 | 82 | 0.615 | 0.615 | Anganphou |
| 5 | Illijabou Pao S/o (L) Thoi Ahari of Paommai Colony | 42/328 | 82/412<br>54 | 0.265<br>0.35 | 0.265<br>0.35 | Anganphou<br>Phourel |
| 6 | A.Solomon S/o Ayo of Paomai Colony | 123 | 83 | 0.58 | 0.58 | Anganphou |
| 7 | 1. Ngasepam Manglem Singh S/o Tombi Singh of Chingmeirong<br>2. Ngasepam Biren Singh S/o Tombi Singh of Chingmeirong | 40 | 84 | 0.90 | 0.90 | Anganphou |
| 8 | Ningthoujam Jugeshor Singh S/o (L) Babu Singh of Poumai Colony | 86 | 85 | 0.16071 | 0.11071 | Anganphou |
| 9 | Thomas Taisha S/o Dani Taisha of Paomai Colony | 86/816 | 85/926 | 0.05286 | 0.05286 | Anganphou |
| 10 | Bai Beninson Pao S/o (L) Keke Yoso of Paomai Colony | 86/817 | 85/927 | 0.03153 | 0.03153 | Anganphou |
| 11 | i. H. Nipuni S/o Hepuni of Kalinamei<br>ii. P. Saleiw S/o Pukreho of –do-<br>iii. L. Chakho S/o Loso of –do-<br>iv. Th. Lokho S/o Khepri of –do- | 56 | 51<br>87 | 0.19<br>0.39 | 0.19<br>0.36 | Phourel<br>Phourel |
| 12 | Laishram Joykumar Singh S/o (L) Manaobi of Iroisemba | 9/164 | 88 | 0.73 | 0.73 | Phourel |
| 13 | Wangkhem Kerani Singh S/o Chaoba of Chingmeirong | | 85/240 | 0.16 | 0.146 | Anganphou |
| 14 | Rita Panmei, Head Mistress, St. Anthony High School of Chingmeirong | 22/308 | 95<br>93<br>86<br>48<br>50 | 0.74<br>0.57<br>0.22<br>0.50<br>0.18 | 0.74<br>0.57<br>0.22<br>0.099<br>0.155 | Phourel<br>Phourel<br>Phourel<br>Phourel<br>Phourel |
| 15. | Rita Panmei, Head Mistress, St. Anthony High School of Chingmeirong | 41 | 96 | 0.76 | 0.76 | Phourel |
| 16. | HB. Haringpham W/o Kl. Kapoor of Sanjenthong Mission Land | 16 | 98 | 0.66 | 0.66 | Phourel |
| 17. | Huidrom Sandhyarani Chanu W/o Y. Rajeshwor Singh of Chingmeirong Mamang Leikai | 86/942 | 85/1046 | 0.054 | 0.054 | Anganphou |
| 18. | Yumnam Rameshwor Singh S/o Nana Singh of Chinemeirong Nongpok | 86/943 | 85/1047 | 0.048 | 0.048 | Anganphou |
| 19. | Tongbam Rita Devi W/o Yumnam Rameshwor Singh of Chingmeirong Mamang Leikai | 86/944 | 85/1048 | 0.06 | 0.06 | Anganphou |
| 20. | Th. Veidai Shuru S/o SP. Thaisi of Paomei Colony Chingmeirong | 86/945 | 85/1049 | 0.12 | 0.12 | Anganphou |
| 21. | Ningthoujam Sanajaobi Devi W/o (L.) Babu Singh of Chingmeirong Mayai Leikai | 86/946 | 85/1050 | 0.092 | 0.092 | Anganphou |
| 22. | Yumnam Mema Devi W/o Yumnam Nina Singh of Chingmeirong Mamang Leikai | 86/947 | 85/1051 | 0.13 | 0.13 | Anganphou |
| 23. | Yumnam Gyaneshwori Devi W/o Shyamsunder Singh of Singjamei Makha Khongnang Pheidekpi | 86/948 | 85/1052 | 0.04 | 0.04 | Anganphou |
| 24. | Ningthoujam(o) Y. Bojeshwori Devi W/o Jugeshwor Singh of Paomei Colony Chingmeirong Nongpok | 86/833 | 85/939 | 0.053 | 0.053 | Anganphou |
| 25. | R.K. (o) Ganga Sija W/o R.K. Setusana Singh of Chingmeirong Tangkhul Avenue | 86/834 | 85/940 | 0.0464 | 0.0464 | Anganphou |
| 26. | Ningthoujam (o) Y. Bojeshwori Devi W/o Jugeshwor Singh of Paomei Colony Chingmeirong Nongpok | 86/835 | 85/941 | 0.0459 | 0.0459 | Anganphou |
| 27. | Muun Bungkhai S/o Mishivam of Paomai Colony | 86/836 | 85/942 | 0.0556 | 0.0556 | Anganphou |
| 28. | Shinglai Ahao S/o Shinglai Karba of Lairam Khullen | 86/901 | 85/1007 | 0.06 | 0.06 | Anganphou |

Sd/-
(**Dr. Y. Nabachandra Singh**)
Director
&
Member Secretary, State Social Impact Assessment, Manipur
------

SL/5355/26